# থাউ ফাইনেল চঙখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাং শঙবমদা চত্থরিবা অনিশুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানা সেমি ফাইনেল মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা নপ্সা খা ইম্ফালবু রন ৭ তা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না অনেম্বা রন ওইখিবগা লোয়নননা থাউনা তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখি। থাউনা অহানবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৬ তা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ৬৪ লৌখি। ইনিংস অদুদা বোল ৩৫ দা রন ১৬ অমদি সহিরনা বোল ১৯ দা রন ১১ ওইখি।

নপ্সাগী বোল্লর রোকিনা ৱিকেট ৩, রোবেন, বোনি অমদি এল প্রেমানন্দনা ৱিকেট ২।২ লৌখি। নপ্সানা অনিশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৫.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ৫৮ লৌবদগী রন ৭ তা মায়পাকখিবনি। ইনিংস অদুনা রোকিনা বোল ৩১ দা রন ১৫ , ধনেকুবের অমদি সিমোন্না বোল ৩১ অমদি ১১ দা রন ৭।৭ লৌখি।

থাউগী বোল্লর কবিরনা ৱিকেট ৬, সুনিল সঞ্জিৎ অমদি চিনত্রজন্না ৱিকেট অমা লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা থাউগী ৱিকেট ৬ লৌখিবা কবিরনা তাখি।

হয়েং অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পি টি আর সি পাটসোই পাট ৱান অমদি ওস্কার পাওনা বজারগা শান্নরগনি।

# এল টি ৱাই দি ও ফুটবোল

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** ললাম্বুং তাখেলম্বম লৈকায় য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনন্না শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফোর এ সাইদ এল টি ৱাই দি ও ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সভেন ষ্টার লংথবালনা এন ৱাই সি নমথাংলোংবু গোল ৫-১ দা, এল পি সি খুলেম লৈকায়না পি ৱাই ও উরিপোক শোরবোন থিংঙেনবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এ এল এল লালাম্বুং তাখেলম্বম লৈকায় অমদি নোংদ্রেন এফ সি লালম্বুং তাখেলম্বম লৈকায় গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

এন কে ৱাই সি নিউকৈথেল মাম্বী অমদি কে টি এল য়ু থৌদাম লৈকায়না শান্নগদবা টিম অনিমক লাক্তবদগী মেটচ শান্নখিদ্রে।

লাঙ্গোল এফ সি লঙ্গোল নিংথৌ লৈকায় অমদি গোল্ডন এফ সি পেলেস কম্পাউন্দ ৱাংখৈ লাক্তদবগী গোল্ড এফ সিনা ৱাল্ক ওভর ফঙখ্রে।

# অহুমশুবা হেরোজিৎ ৱারীবম অন্দর ১৪ গোল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট

## কে ঐচ এস সি অমদি ফাম মায় পাকখ্রে, ঐচ য়ু অমদি বি দি ঐচ এ দ্রো ওইখ্রে



ফাম অমদি বি দি ঐচ এ না শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা (ওই)



ঐচ য়ু অমদি এস ৱাই য়ু সি না শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অহুমশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম অন্দর ১৪ গোল কপ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা পুল (এ) গী মেটচশিংদা খোঙমন ষ্টুদেন্ট ক্লব কে ঐচ এস সিনা হোকি এসোসিয়েসন ওফ য়ঙ টেলেন্টবু গোল ৫-১ দা, পোটরিয়া হোকি এসোসিয়েসন মণিপুর ফামনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসন বি দি ঐচ এ বু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। পুল (বি) গী শান্নখিবা মেটচতনা হোকি য়ুনিয়ন ঐচ য়ু খুরাই লাইরিক য়েংবম লৈকায় অমদি সাউত ইষ্ট য়ুঠ ওর্গনাইজেসন সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসিগী অয়ুক্তা শান্নখিবা পুল(এ) গী কে ঐচ এস সি অমদি ঐচ এ ৱাই টিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী কে ঐচ এস সি গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম ঙম্বনা ২২ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা গোল অনি, এম সিরজিৎনা ৪১ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা অনি অমদি এম রোমিকোন্না ৩১ শুবা মিনটতা চনখিবনি। ঐচ এ ৱাই টিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম য়ুরেম্বা সিংহনা পেনালটি কোর্নরদা ২৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি। কে ঐচ এস সি না পেনালটি কোর্নর ৩ ফঙখিবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। ঐচ এ ৱাই পি না পেনালটি কোর্নর ৬ ফঙবদা গোল অমত্ত ওন্থোকপা ঙমখিদে। কে এস ঐচ ইবোপীশক সিংহ অমদি কে ঐচ ধঞ্জয় সিংহনা অম্পায়র ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

নুংথিলগী অহানবা মেটচতা শান্নখিবা পুল (এ) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা পোটরিয়ার হোকি এসোসিয়েসন মণিপুর ফাম না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসন বি দি ঐচ এ বু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফামগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এন দত্তা সিংহনা ১২ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা পেনালটি কোর্নর গোল অমা য়াওনা চনখিবনি। ফামনা পেনালটি কোর্নর ৫ ফঙবদা অমা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ অদুদা বি দি ঐচ এ না পেনালটি কোর্নর অমত্তা ফঙবা ঙমখিদে। কে ঐচ ইবোপিশক সিংহ অমদি কে ঐচ এস উমাশঙ্কর সিংহনা অম্পায়র ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা পুল (বি) গী ঐচ য়ু অমদি এস ৱাই য়ু সি না শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমনখিদ্রবসু মেটচ অদুদা ঐচ য়ু না পেনালটি কোর্নর অহুম অমদি এস ৱাই য়ু সি না পেনালটি কোর্নর মরি ফঙখি। এস ঐচ রতন অমদি এম সিতলজিৎনা অম্পায়র ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

# বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** টি ঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদমি তাউবুংখোক্না শিন্দুনা টি বি এস এস এ তাউবুংখোক্কী গ্রাউন্দা চত্থরিবা তরেৎশুবা অন্দর ১৩ টি ঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদমি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ বি মেটচশিংদা টি এস এফ এ (বি) তাউবুংখোক অমদি টি এফ এ থিনুংগৈ গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। অনিশুবা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) মেটচতা এম য়ু সি মাইবাখুল না টি বি এস এফ এ সি বু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুংথিলগী অহানবা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা আর য়ু এফ আই বি এ লোইতাংখুলেন অমদি আর এফ সি খম্নাম লৈরক গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে। অনিশুবা শান্নখিবা গ্রুপ (দি) গী মেটচতনা টি বি এস এফ এ না ক্লাসা কৈনৌবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এম য়ু সি অমদি টি বি এস এফ এ সি না শান্নখিবা মেটচ অদুগী টি বি এস এফ এ গী মায়পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সদানন্দা ৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

আর য়ু এফ আই বি এ অমদি আর এফ সি না শান্নখিবা মেটচ অদুগী আর য়ু এফ আই বি গী গোল অনি অদু এল নরেস অমদি ৱাই প্রিতম্না চনখিবনি। আর এফ সি গী গোল অনি অদুনা পি প্রেমজিৎনা চনখিবনি।

টি বি এস এফ এ অমদি ক্লাসানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টি বি এস এফ এ গী গোল অনি অদু সিনেগলনা ৮ অমদি এন ইংশন্না ২৭ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। ক্লাসাগী গোল অদুনা সিমরেননা ২৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা অন্দর ১০ গী গ্রুপ বি গী পময়াল এফ সি পাৎসোই অমদি এম এস মালোমগা অমদি অনিশুবা গ্রুপ বিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক অমদি লাইওন ক্লব নাগামপাল কাংজাবিগা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ অমদি ৮.৩০ দা শান্নরগনি।

# সবুংখোক কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্ট ৱেলফিয়র ক্লব শবুংখোক্না শিন্দুনা ক্লব অসিগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা শবুংখোক কপ সভেন- এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইতমনুঙ্গোইনা ৱাই এফ দব্লিউ সি বি শঙবুংখোকপু গোল ৯-১ দা, ৱাই টি তেলৌনা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌবু গোল ১-০ দা মঙাল এফ সি না ষ্টার টিম সৈয়াংবু গোল ৬-১ দা অমদি এল এফ সি নোংদ্রেনা খুরাই এফ সি বু গোল ১২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# বি কে ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পু ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা বামোন কম্পু ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭ শুবা বি কে ত্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নোংইন কোংবনা এ সি টি থোংজুবু রন ৫৯ দা অমদি ৱাই সি য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পু না আই এল য়ু কৈরাওবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

নোংইন ইন্টরগ্রেটেদ বিজিনেস সোল্লুসন অমদি এ সি টিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা নোংইনগী ইন্টরগ্রেটেদ বিজিনেস সোল্লুসনগী নসিরনা রন ৬৫ অমদি ৱিকেট অনি লৌদুনা তাখি। মেটচ অদুগী অহানবা ইনিংসতা নোংঙিন ইন্টরগ্রেটেদ বিজিনেস সোল্লুসন্না ওভর ১৯ দা ৱিকেট পুম্নমক আউদ ওইরগা রন ১৭১ লৌখি। এ সি টি না অনিশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ১৬.৪ দা ৱিকেট মরি আউদ ওইরগা রন ১১৩ লৌখিবনি। অনিশুবা শান্নখিবা মেটচগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ঙ ক্রিকেটরগী জোন্না রন ১৮ অমদি ৱিক্কেট অহুম লৌদুনা তাখি।

# পৱার লিফটর ননাও দেবী ওকখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** জমসেদপুরদা চৎলিবা চহি অসিগী ৪ দগী ৯ ফাওবা পাংথোকখিবা সুব্রাতা ক্লাসিক ইন্টনেসনেল পৱার লিফটিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ দা শরুক য়াদুনা কে জি ৮৪ গী জুনিয়র গার্লসকীদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবি সোরোখাইবা লমদিং চেরাপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা লৈবা এস ইঙোচা সিংহগী মচানুপী ননাও দেবী ওকপগী অচন্বা থৌরম অমা ঙরাং য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি লমদিং চেরাপুর অমদি অপুন্বা মৈরা পায়বী লুপ্না শিন্নদুনা লমদিং খোংনাংমখোংদা পাংথোকখ্রে।

হন্দক্কী চেম্পিয়নসিপ অদুদা ননাও দেবীনা স্কাটতা কে জি ৮২.৫ , ৱেঞ্চ প্রেসতা কে জি ৩০ অমদি দেট লিফটা কে জি ৮৫ পুন্না কে জি ১৯৭.৫ থাংগৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।



# পি বি য়ুনাইটেদনা ৱিনর ওইখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** পি বি য়ুনাইটেদ চজিংনা ২৭ শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৱিনর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পি বি য়ুনাইটেদনা ক্রেজি বোইজ চজিংবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীরগা ৱিনর ওইখিবনি। পি বি য়ুনাইটেদকী গোল ৩মক অদু এস ঐচ নেত্রজিৎনা চনখিবনি । ক্রেজি বোইজগী গোল অদুনা জয়ন্তনা চনখিবনি।


# লম্লাই অমদি খুন্দ্রাকপম ফুটবোল

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১২ ঃ** সৈয়াং প্রোগ্রেসিপ য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা ঙাংখম বিলাতোম্বী অমদি ইবেমহল মেমোরিয়েল লম্লাই অমদি খুন্দ্রাকপা কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ সি লম্লাইনা ৱাই য়ু সি য়াইঙংপোকপীবু গোল ১১-০ দা, পি ৱাই এল এ অমদি ৱাই এন এ সেক্তনা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচশিংদনা ৱাই পি এফ সি য়াইঙংপোকপীনা এম ৱাই সি লৈমখোং মপালবু গোল ৮-২ দা অমদি ৱাই পি এস লম্লাইনা পি এ নুঙ্গোই অৱাং লৈকায়বু গোল ৫-৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হয়েং অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা গ্রুপ সি তেলহৌগা ৱাই দি সি থম্নাপোকপীগা শান্নরগনি।







OPENING SOON OPENING SOON

LINTHOINGAMBI ENTERPRISES


DG COLLECTION

GENTS, LADIES & KIDS

Sangaiprou Mamang Leikai

## ওর্থোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ

লম কয়াদা কান্নরবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চীকপা ফাওবা অথিতিস্ত, খু কাং নাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্লেল্লিং পিল মসল, ব্রুস স্প্রেন্স অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা ফাওবশিং)গীদমক




ইফেক আর.ই.পি এলগী মগুণ লৈবা সাইদ ইফেক







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Segа Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*